অহুমশুবা ৱেভ শোয়ররোই

# ইন্দিয়াদা চয়োল তরুক্তগী নিপাল ফাওবগী মনুংদা থোক্লবা য়াই: এইমস চীফ



ন্যু দেল্লী, জুন ১৯ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াদা অহুমশুবা কোভিদ ৱেভ অমা লাকপা হায়বসি শোয়দ্রে অমসুং মসি লৈবাক অসিদা মথংগী চয়োল তরুক্তগী নিপাল ফাওবগী মনুংদা থোক্লবা য়াই হায়না এইমসকী চীফ ডা. রন্দীপ গুলেরিয়ানা এন দি টি ভিদা ফোঙদোকখ্রে।

চয়োল কয়া অথিংবশিং থম্লুরবা মতুংদা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা অনলোকিং হৌনরক্লিঙৈদা এইমসকী চীফনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

মহাক্না হায়, লৈবাক অসিগী মরু ওইবা চেলেঞ্জদি য়াম্লবা মীয়াম্বু ভেক্সিন কাপ্পা অসিনি অমসুং কোভিদসিল্ডগী দোজ অনীগী গেপ হেনগৎহনবা হায়বসি ফৈ। মসিনা লৈবাক অসিগী অহেনবা মীওইশিংবু ভেক্সিনগী প্রোটেক্সন ফংহনগনি।

মোনোক্লোনেল এন্টিবোদি ত্রিটমেন্ট ইনৌ নৌনা চিংনবা পোকহল্লক্লিবা কোভিদ-১৯গী দেল্টা ভেরিএন্টতগী ইভোল্ব তৌরকখিবা অনৌবা দোল্টা-প্লস ভেরিএন্টকী মরমদা পল্লদুনা ডা. গুলেরিয়ানা হায়, ভাইরস অসিগী ম্যুটেসন মখা তানা ষ্টদি তৌনবা ইন্দিয়ানা কোভিদ থেংনরিবা অসিদা অনৌবা লম (ফ্রন্টয়র) অমা পুথোকপা মথৌ তারক্লি।

ডা. গুলেরিয়ানা মখা তানা হায়, লৈবাক অসিদা অনলোকিং হৌনরকপগা লোয়ননা ঐখোয়না অমুকসু কোভিদ-১৯ এপ্রোপ্রিয়েট বিহেভিয়র ঙাকপা ৱাৎপগী মমি উরি। অহানবা অমসুং অনীশুবা ৱেভকী মরক্তা থোকখিবা অমদি উখিবশিংদগী ঐখোয়না ইখঙ খঙজিন উশিন্নদবগুম তৌরি। অমুকসু মী ময়াম চগুংননা লৈবা উরে। মরম অমগী নৎত্রগা অমগী মীশিংনা মফম অমদা নকশিন্ননা তিনবা, পূনশিন্নবা তৌরি। নেসনল লেভেলদা কোভিদ কেস মশিং অমুক হেনগৎলকপদা মতম খরদি চঙগনি। কোভিদকী অহুমশুবা ৱেভ হায়বসিদি শোয়দ্রে। মসি লৈবাক অসিদা মথংগী চয়োল তরুক্তগী নিপাল ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসিদা থোক্লকপা য়াই। মতম খরা শাংথরগা থোক্লকপসু য়াই। খূদিংমক ঐখোয়না কোভিদ-এপ্রোপ্রিয়েট বিহেভিয়র ঙাকপা অমসুং মী পূনবা থিংবগী ৱাফম অসি নীংথিনা ঙাকপা নৎত্রগা ঙাক্তবগী মখা পোনগনি।

হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিগী অপূনবা মীশিংগী চাদা ৫ রোম ভেক্সিন দোজ অনী কাপ্লে। গভর্ণমেন্টনা চহী অসি লোইবা ফাওবদা মীওই ক্রোর ১৩০ হেনবগী মনুংদা ক্রোর ১০৮ ভেক্সিন কাপ্পগী পান্দম থল্লি।

এইমসকী চীফ অসিনা হায়, লৈবাক অসিনা মায়োক্লরিবা মরু ওইবা চেলেঞ্জদি ভেক্সিন কাপ্পা অসিনি। অনৌবা ৱেভ অমা লাকপদা মহৌশানা থা অহুমগী মতম চত্তই। তৌইগুম্বসুং তোঙান তোঙানবা ফেক্টরশিংগী মখা পোন্না থা অহুমদগী য়াম্না হেন্না তেনবসু য়াই। কোভিদ-এপ্রোপ্রিয়েট বিহেভিয়রগী মথক্তা ঐখোয়না ষ্ট্রিট সর্ভিলেন্স অসিসু মথৌ তাই। মমাঙদা থেংনখিবা অনৌবা ভেরিএন্ট মপান্দগী লাক্লগা লৈবাক অসিদা দিভলপ তৌখি অমসুং মদুনা লৈবাক অসিদা কোভিদ কেস মশিং অদুক্কী মতিক য়াম্না হেনগৎহনখি। ভাইরস অসি মখা তানা ম্যুটেসন তৌখিনি হায়বসি ঐখোয়না খঙই। অদুনা হোট স্পোটশিংদা অকনবা সর্ভিলেন্স মথৌ তাই।

কোভিদ ৱাংখৎলক্লিবা অমসুং পোজিটিভ ওইবগী চাং চাদা ৫দগী হেনবা লৈবাক অসিগী মফমশিংদা মিনি-লোকদাওন থম্বগী মথৌ তাগনি। ভেক্সিন কাপত্রবদি ঐখোয় লাক্লিবা থা খরসিদা কোরোনাভাইরসনা শোক্লকপা য়াবগী রিস্ক অদুম লৈ। হোটস্পোটশিংদা টেষ্টিং, ত্রেকিং অমসুং ত্রিটিংদা মীৎয়েং থমগদবনি হায়না ডা. গুলেরিয়ানা মখা তারি।

# মীখল মতুংগী ঈরাংগী মতাংদা কলকত্তা হায় কোর্টনা মমতা বেনর্জিগী গভর্ণমেন্ট চৈখ্রে





কোলকটা, জুন ১৯ (এজেন্সী):
মীখল মতুংদা থোক্লকখিবা হাৎন-শুনবগী ঈরাংনা মীয়ামদা চৈথেং কয়া পীরবসু ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা তূমীন্না লৈশিল্লি হায়না মরাল শীরদুনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী গভর্ণর জগদীপ ধনঘরনা নুমিৎ খরিনগী মমাঙদা চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিদা লেট্টর অমা ইখিবা মতুংদা কলকত্তা হায় কোর্টনা থাংজ নুমিত্তা মমতা বেনর্জি গভর্ণমেন্টপু চৈখিবগা লোয়ননা মীখল মতুংগী ঈরাংগা মরী লৈননা কমপ্লেন্টশিংগী মতাংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মশক থোকপা খোঙথাং অমত্তা লৌখৎতে হায়না ওবজর্ভ তৌখ্রে।

মীখল মতুংদা থোক্লকখিবা হাৎন-শুনবা অমসুং মাঙহন-তাকহনবগী ঈরাংনা মরম ওইদুনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী পুন্সি অমসুং লন-থুমদা খুদোংথীনিংঙাই ওইরে হায়বা ৱাফম য়াওবা কেস অমা লাকপদা ষ্টেটনা অপান্বা মওংদা হৌজিক্কী ফিভম অসিদা মখা চথদুনা লৈবা য়ারোই। ভাইওলেন্সকা মরী লৈনবা কমপ্লেন্টশিংগী মতাংদা খূদক্তা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎকদবনি। লো এন্দ ওর্দর মেন্টেন তৌবা অমসুং ষ্টেট অসিগী মীয়াম্বু থাজবা পোকহনবা হায়বসি ষ্টেটকী মথৌনি হায়না হায় কোর্টনা ওবজর্ভ তৌখি।

মীখল মতুংগী ঈরাংনা মরম ওইদুনা মীওই চা-কয়া ময়ূম-মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নরে অমসুং করি থোক্লক্কদগে হায়বা কিবদগী মখোয় য়ূমদা হল্লকপা ঙম্নদ্রে হায়বা ৱাফম য়াওবা পিটিসন খরগী হীয়ারিংদা কলকত্তা হায় কোর্টকী মেম্বর মঙাগী বেঞ্চনা মখা তানা ওবজর্ভ তৌখি মদুদি, ষ্টেটনা ৱাফমশিং অসিগী মতাংদা এক্সন লৌখৎফম থোক্লবসু অমসুং কোর্টতা মেট্টর অসি পন্দুনা লৈরি হায়বা খঙলফাওবদা গভর্ণমেন্টনা লৌখৎফম থোকপা মশক থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎতে।

এক্টিং চীফ জষ্টিস রাজেশ বিন্দালনা লুচিংবা জজ মঙাগী বেঞ্চ অদুনা ৱেষ্ট বেঙ্গল গভর্ণমেন্টতা ষ্টেটকী লো এন্দ ওর্দর মেন্ট্রেন তৌবা অমসুং মীয়ামদা থাজবা পোকহন্নবা তৌবা হায়বসি গভর্ণমেন্টকী তৌফম থোকপা মথৌনি হায়বসি নীংশিংখি। বেঞ্চ অদুদা য়াওরিবা অতৈ জজশিংদি জষ্টিসশিং আই পি মুকর্জি, হরিশ তান্দন, সৌমেন সেন অমসুং সুব্রাতা তালুকদাররনি।

কোর্ট অসিনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা প্রোসেস অসিদা অয়েৎ-অপন অমত্তা লৈহন্দনবা হায়খি। ওর্দর অদুনা হায়, অসিগুম্বা অয়েৎ-অপনশিং হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা কন্টেম্পট ওফ কোর্টস এক্টকী মখাদা এক্সন লৌখৎলকপা য়াই।

কোর্টনা ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিদসু ময়ূমদা হল্লকপা ঙমদনা লৈরিবা মীওইশিংগী কমপ্লেন্টশিং য়েংশিন্নবা অমসুং মখোয়বু খুন্দা-লৈতাহন্নবগী মথৌ তাবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা দিরেক্সন পীখি। মথংদা কোর্ট অসিনা নেসনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এন ঐচ আর সী)দসু ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মীখল মতুংদা ষ্টেট অসিদা থোক্লকখিবা ভাইওলেন্স মনুংদা ময়ূম-মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখিবশিংনা তৌরিবা কমপ্লেন্টশিং য়েংশিন্নবগী কম্মিটি অমা শেম্নবা ওর্দর তৌখি।

# ত্বিটরগী পোলিসিদগী লৈবাক্কী লোনা হেন্না মরু ওই: পার্লিয়ামেন্টরি আই টি কম্মিটি

ন্যু দেল্লী, জুন ১৯ (এজেন্সী):
পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটি ওন ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিনা ইরাই নুমিত্তা ত্বিটরদা মসিগী পোলিসিদগী লৈবাক্কী লোনা হেন্না মরু ওই হায়না খঙহনখ্রে।

কম্মিটি অসিনা মাইক্রো-ব্লোগিং সাইট অসিদা রুলশিং ইন্দবগী ফাইন তৌরোইদবগী মরম লৈব্রা হায়নসু হংখ্রে।

লোক সভাগী মেম্বর ২১ অমসুং রাজ্য সভাগী মেম্বর ১০না শেম্বা পূন্না মেম্বর ৩১ লৈবা অমসুং কোংগ্রেসকী সচি ঠারুরনা লুচিংবা পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটিনা ত্বিটরবু মসিগী প্লেটফোর্ম লান্না শীজিন্নবগা মরী লৈননা সম্মন তৌখিবনি।

ছোর্সশিংনা হায়, ত্বিটর ইন্দিয়াগী পোলিসি মেনেজর শগুফতা কমরান অমসুং লিগেল কাউন্সেল অয়ুফ কাপুরনা পেনেল অসিগী মমাঙদা মখোয়গী ষ্টেটমেন্ট লৌখি। কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা ত্বিটরদা ফেক্ট চেক্করশিং হাপ্লগা মরী লৈনবা প্লেটফোর্ম অসিগী পোলিসিগী অমসুং হীরম অসিগা মরী লৈননা থাজবা য়াবা করি খোঙথাং লৌখৎলবগে হায়না হংখি।

রুলিং পার্টিগী মেম্বর অয়াম্বনা ত্বিটর ইন্দিয়া ফেক্ট চেক্কর অয়াম্বনা নরেন্দ্র মোদি রেজিমবু ফোংনা ওপোজ তৌই হায়না ক্লেম তৌখি। কম্মিটি অদুদা য়াওবা বি জে পিগী মেম্বর অমনা হায়, ত্বিটরনা পার্টিগী স্পোক্সর্পন সমবিত পাত্রাগী ত্বিটপু 'মেন্যুলেটেদ মিদিয়া'নি হায়রবসু মসিনা হন্দক্তা ঘাজিয়াবাদতা থোকখিবা থৌদোক নৎত্রগা দেল্লীগী রাইওট মনুংদা থোকখিবা থৌদোকশিংগী মতাংদদি করিসু তৌখিদে। কম্মিটিগী মেম্বরশিংগী চার্জদা ত্বিটরনা পাউখুম পীখিদে।

ত্বিটরগী পোলিসি ইন্দিয়াগী রুলশিংগা মান্নে হায়বা ত্বিটর ইন্দিয়া রিপ্রজেন্টেটিভকী ওবজর্ভেসনবু কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা কন্না য়ানীংদবা উৎখি। কম্মিটিনা ত্বিটরদা নাখৈ শেংনা খঙহল্লদুনা হায়খি, ত্বিটরগী পোলিসিদগী লৈবাক্কী লোন্না মরু ওই। ওপোজিসন পার্টিগী য়াওনা পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিগী মেম্বর খূদিংমক্না ত্বিটরগী মায়োক্তা চপ মান্ননা লেপখি। ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী মোহুৱা মোইত্রানফাওবা ত্বিটরদা করিগী লৈবাক্কী রুলশিং ইন্দ্রিবা করিগীনো হায়না হংখি। লৈবাক্কী লো ঙাক্তবগীদমক্তা ফাইন তৌরোইদবগী মরম লৈব্রা হায়না মেম্বরশিংনা ত্বিটরদা হংখি।

অমরোমদা, ত্বিটরনা আই টি ইন্টরমিদ্যরি রুলশিং ইনবা থিন্থবগী মরম ওইনা পেন্দমিক লৈবগী ৱাফম পনখি। মদুদা মেম্বরশিংনা সোসল মিদিয়া প্লেটফোর্ম খূদিংমক্না রুলশিং অসিবু ইনবা ওল্লগা ত্বিটরনা ইন্দ্রিবা করিগীনো হায়না প্লেটফোর্ম অসিদা অমুক হংখি।

পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটি ওন ইনফোর্মেসন এন্দ টেক্নোলোজিনা ত্বিটরদা জুন ১৮দা কম্মিটিদা লাক্তুনা মসিগী প্লেটফোর্ম লান্না শীজিন্নবা থিংবগী ৱাফমদা লৈরিবা মোতশিং ফোঙদোক্লবা খঙহনখিবনি।

# সোফৱ্যেরনা ভেন্টিলেটর মথৌ তাগদবা পেসেন্টশিং খঙদোকপদা মতেং পাংলগনি



ন্যু দেল্লী, জুন ১৯ (এজেন্সী):
পেসেন্ট অমা আই সী য়ুদা ভেন্টিলেটর সপোর্ট মথৌ তাগদ্রা হায়বসি হৌজিক সোফৱ্যের অমগী মতেংনা খঙবা ঙম্লগনি অমসুং ইমর্জেন্সিগী মাঙওইননা মথৌ তাবা এরেঞ্জমেন্টশিং লাঙবা ঙমহল্লগনি।

পেন্দমিক মনুংদা খঙহৌদনা আই সী য়ু অমসুং অতৈ ইমর্জেন্সিগী মথৌ তাবশিং হোস্পিটালশিংনা শীনবদা অচৌবা প্রোব্লেম অমা ওইদুনা লাক্লিঙৈসিদা মতম চানা অসিগুম্বা ফিভম খঙহনবা অসিনা হেল্থ ক্রাইসিস অসিবু হেন্না নীংথিনা মেনেজ তৌবদা মতেং পাংগনি। কোভিদ সিভেরিটি স্কোর (সী এস এস) কৌবা সোফৱ্যের অমা লৈরে। মসিদা পেরামিটরশিংগী চাং ওন্থোকপা ঙম্বা অলগোরিদম অমা য়াওই। মসিনা পেসেন্টশিংগী প্রি-সেট দাইনেমিক অলগোরিথমগী মায়োক্তা হঞ্জিন হঞ্জিন্না স্কোরশিং উৎলি অমসুং পেসেন্ট খূদিংমক্কী ওইনা গ্রাফিকেল ট্রেন্দ অমদা কোভিদ সোভরিটি স্কোর (সী এস এস) মেপ্পিং পী।

টেক্নোলোজি অসি হৌজিক কোলকটা অমসুং অকোয়বদা লৈবা কম্যুনিটি কোভিদ ক্যের সেন্টর অহুমদা শীজিন্নরি। মখোয়গী মনুংদা বারাকপোরদা লৈবা বেদ ১০০গী কোভিদ ক্যের সেন্টর য়াওরি।

ফাওন্দেসন্স ফোর ইন্নোভেসন্স ইন হেল্থ, কোলকটানা দিপার্টমেন্ট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নালোজিগী সাইন্স ফোর ইক্বিটি, ইম্পাৱরমেন্ট এন্দ দিভলপমেন্ট (এস ঈ ঈ দি) দিভিজনন আই আই টি গুৱাহাটিগা খুৎশম্নরগা পায়খৎমিন্নবা প্রোজেক্ট অমদা য়ুনিভর্সিটি ওফ ইদিনবগকী ডা. কেভিন ধালিৱাল অমসুং দব্লিয়ু ঐচ ও (সাওথ ইষ্ট এসিয়া রিজনল ওফিস)না কোভিদ পোজিটিভ পেসেন্ট অমগী সিম্পটমশিং, সাইনশিং, ভাইটাল পেরামিটরশিং, টেষ্ট রিপোর্টশিং অমসুং কো-মোর্বিদিটিশিংগী চাং লেপ্পা ওন্বা অমসুং প্রি-সেট দাইনেমিক অলগোরিথম অমগী মায়োক্তা স্কোরশিং পীবা ওন্বা অলগোরিথম অমা পুথোক্লে।

টেক্নোলোজি অসি এস ঈ ঈ দি প্রোজেক্ট সপোর্টকী খূথাংদা রিছোর্স ৱাৎপা প্রাইমারি ক্যের ঈ-হেল্থ ক্লিনিকশিংদা ফংহল্লে। নেসনল স্কিলস ক্বালিফিকেসন ফ্রেমৱর্ক (এন এস ক্যু এফ)কী এলাইন মোদেল ট্রেন তৌরবা নেসনল স্কিল দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসননা সর্টিফাইদ তৌবা ফ্রন্টলাইন হেল্থ ৱর্করশিংবু সোফৱ্যের অসি য়াওরবা টেব্লেট কম্প্যুটর অমদা রেকোর্দ তৌহন্নবা ট্রেনিং পী।

# জে এন্দ কেগী পার্টি খূদিংমক পি এমগা মীফম পাঙথোক্লবা ইনভাইট তৌখ্রে

শ্রীনগর, জুন ১৯ (এজেন্সী):
ন্যু দেল্লীনা জে এন্দ কেগী মেনষ্ট্রিম পোলিটিকেল পার্টি খূদিংমক্তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা পাঙথোক্কদবা মীফমগা মরী লৈননা ইনভাইট তৌরি হায়বা রিপোর্ট মরক্তা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফতিনা মঙোন্দসু ইনভাইট তৌরক্লে হায়বসি থাংজ নুমিত্তা কনফর্ম তৌখ্রে।

অমরোমদা, নেসনল কনফরেন্সকী পেত্রোন ডা. ফারুক অব্দুলানদি হৌজিক ফাওবা ইনভিটেসন লাক্ত্রি হায়খ্রে। হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফতিনা জুন ২৪গী মীফম অদুগী ফোর্মেল ইনভিটেসন ন্যু দেল্লীদগী লাক্লে হায়খি। মহাক্না মীফম অদুদা শরুক য়ানবা মঙোন্দা ফোন তৌদুনা ইনভাইট তৌরকখি হায়খি।

মীফম অদু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চের লৌদুনা পাঙথোক্কদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক, মেহবুবানা পাউমীশিংদা মহাকমীফম অদুদা য়াওগদ্রা য়াওরোইদ্রা হায়বা ৱারেপ লৌদ্রি হায়খি।

পাউমী খরদা ৱা ঙাঙখিবা ডা. ফরুক অব্দুলানা হায়খি, হৌজিক ফাওবদা ন্যু দেল্লীনা মঙোন্দা ইনভাইট তৌরকপা লৈতে। অসিগুম্বা ইনভিটেসন অমা ফংলবা মতমদা মদুগী মতাংদা করি তৌগদগে হায়বদু লেপ্পবা মীফম পাঙথোক্কনি।

পীপলস কনফরেন্সকী চীফ অসিগা নক্লবা ছোর্স খরনা হায়, জুন ২৪গী মীফম অদুগীদমক্তা সজাদ লোনদসু ইনভাইট তৌরক্লে। সী পি আই-এমগী লীদর এম ৱাই তারিগামিনা হৌজিক ফাওবদা মঙোন্দা দেল্লীদগী ফোর্মেল ইনভিটেসন লাক্ত্রি হায়না ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক দেল্লীগী ছোর্স খরনা মঙোন্দা জে এন্দ কেগী মেনষ্ট্রিম লীদর খূদিংমক মীফম অদুদা শরুক য়ানবা ইনভাইট তৌগনি হায়না কনফর্ম তৌরকপা লৈ হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

জে এন্দ কে অপনি পার্টিগী চীফ সয়েদ অলতাফ কুখারিনা হায়, জে এন্দ কেগী প্রোব্লেমশিংগী সোল্যুসন পুথোকপা হায়বসি ন্যু দেল্লীগী মখা পোল্লি। ঐখোয় দেল্লীগা মরী লৈনৈ হায়বা মমাঙদা ঐখোয়না ফোঙনা হায়খ্রবনি। জে এন্দ কেগী সোল্যুসন ন্যু দেল্লীদা লৈ অমসুং ইস্লামবাদ, ন্যু য়োর্ক নৎত্রগা লণ্ডনদা লৈতে। দেল্লীনা মীটিং তৌনবা খঙহল্লক্লিবসি পূক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা খোঙথাং অমনি।

চৈরকসিদা, জুন ২৪গী মীফম অদুগীদমক্তা মেহবুবা মুফতিনা ইনভিটেসন ফংলবা মতুং পূং খরগী মনুংদা জে এন্দ কেগী ওথোরিটিশিংনা মহাক্কী মখুরাসু ওইরিবা পি দি পিগী লীদর সর্তাজ মাদনি অমসুং পি দি পিগী অতোপ্পা সিনিয়র লীদর নায়ীম অখতার কুমজা ২০২০গী দিসেম্বর ২১দা ওথোরিটিশিংনা ফাজিনখিবনি।

মাদনিবু মহানবদা সাওথ কাশ্মিরগী বিজভেহারা টাওনদা পুলিসনা নুমিৎ হুম্নি দিটেন তৌখি অমসুং মদুগী মতুংদা মহাক শ্রিনগরদা লৈবা এম এল এ হোষ্টেলদা পুখি। মহাক থাংজ নুমিৎ ফাওবা মফম অদুদা ফাজিন্দুনা থম্লকখি।

নায়ীম দিটেন তৌরম্বদগী থাদোক্লবসু কুমজা ২০২১গী মে ১২ ফাওবা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থমখি। মাদনি থাদোক্লে হায়বসি দি দি পিগী স্পোক্সমেননা কনফর্ম তৌখি। ন্যু দেল্লীদা জুন ২৪দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অদু য়াওনবা লুচিংবা কয়াদা ইনভাইট তৌরকখিবগা চান্ননা মাদনিবু থাদোক্লিবনি।

# এক্স মিনিষ্টর মনিকন্দন ফানবা স্পেসল টিম শেমখ্রে

চেন্নাই, জুন ১৯ (এজেন্সী):
চেন্নাই পুলিসনা হান্নগী ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি মিনিষ্টর এম মনিকন্দন ফাননবা স্পেসল টিম অমা শেমখ্রে।

হান্নগী মিনিষ্টর অসি লুহোংগনি হায়না থাজহল্লগা এক্ট্রেস অমগী ইকায় খুম্নবা মাঙহনবগী চার্জশিংদা বূক তৌখিবনি।

কেস অদুদা মনিকন্দননা থাখিবা এন্টিসিপেটরি বেল মদ্রাজ হাই কোর্টনা রিজেক্ট তৌখিবদগী হান্নগী মিনিষ্টর অসি লোংখি। পুলিস ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না, স্পেসল টিমগী মেম্বরশিংনা মনিকন্দনবু থীবগা লোয়ননা ফাননবা মদুরাই অমসুং রামানাথাপুরমদা দিপ্লোই তৌখ্রে।

মমাঙগী এ আই এ দি এম কে গভর্ণমেন্টতা আই টি মিনিষ্টর ওইখিবা মনিকন্দন চয়োল অনীগী মমাঙদা অদয়রদা লৈবা ৱিমিন পুলিস ষ্টেসননা বূক তৌখি। মালেসিয়াদা বেজ তৌবা এক্ট্রেস অমনা মনিকুন্দনবু লুহোংগনি হায়জিল্লগা মহাকপু লেপ্তুনা এক্সপ্লোইট তৌখি হায়না মরাল শীদুনা কমপ্লেন তৌরকপদগী মহাকপু বূক তৌখিবনি।

রেপ, মিসকেরিএজ অমসুং চিটিংগী চার্জশিংদা পুলিসনা হান্নগী মিনিষ্টর অসিবু ইন্দিয়ন পেনাল কোদ (আই পি সী)গী তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিংগী মখাদা বূক তৌখি।

এক্ট্রেস অসিনা ফোঙদোকখিবদা, মহাক কুমজা ২০১৭তা মনিকন্দনগা খঙনখি। মিনিষ্টর অসিনা মঙোন্দা মালেসিয়াদা পূন্না বিজনেস তৌমিন্নগনি হায়না থাজবা পীখি। মহাক প্রেগনেন্ট ওইরবা মতুংদা মনিকন্দননা নমদুনা এবোর্সন তৌহনখি হায়না এক্ট্রেস অসিনা ফোঙদোকখি।

# দোক্যুমেন্ট শারম্বগী এফ আই আর লৌখৎখ্রে

গুরুগ্রাম, জুন ১৯ (এজেন্সী):
দিষ্ট্রিক্ট টাওন প্লান্নর (দি টি পি)না কমপ্লেন তৌরকপদগী গুরুগ্রাম পুলিসনা ইরাই নুমিত্তা গুরুগ্রামগী হান্নগী বি জে পি এম এল এ অমা য়াওনা মীওই অহুমগী মায়োক্তা এফ আই আরশিং রেজিষ্টর তৌখ্রে।

কোর্টকী রেকোর্দশিং শাবগা লোয়ননা মখোয়বু সোসল মিদিয়াদা সর্ক্যুলেট তৌরম্বগীদমক মখোয়গী মায়োক্তা এফ আই আরশিং রেজিষ্টর তৌখিবনি।

পুলিসকী মতুং ইন্না, হৌখিবা উমেশ অগরৱালগী এসোসিএটশিংনা দি টি পি টিমগী ওফিসলশিংগী মায়োক্তা কন্টেম্পট ওফ কোর্টকী চার্জগা লোয়ননা প্লী অমা ফাইল তৌখি। সেক্টর-৭৭ খের্কি দৌলাদা লৈবা ইলিগেল কোলোনি অমদা বিল্ডিংশিং থুগায়বগী দ্রাইভ অমা পাঙথোকখিবগীদমক প্লী অদু ফাইল তৌখিবনি।

দিষ্ট্রিক্ট টাওন প্লান্নর আর এস বাথনা মহাক্কী পুলিস কমপ্লেন্টতা বি জে পিগী হান্নগী এম এল এ উমেশ অগরৱালনা সোসল মিদিয়াদা অশাবা কোর্ট সম্মনশিং সর্ক্যুলেট তৌরে হায়খি।

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ / নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নান্থবা, পোন্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হান্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোন্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোন্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্লগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792
HL-B/6972/17/5-15/6

ꯁꯥꯎꯔꯦ ꯁꯣꯛꯄꯥ /
ৱাংখৈময়ুম ওংবী সুমতি দেবীদা পূন্না শৌগৎখ্রে

লমশাং কেন্দ্রদা টার্ম অহুম্লক থংন-থংননা কাদুনা মিনিষ্টর অমদি এম এল এ ওইবীরম্লবা লৈখিদ্রবা ৱাংখৈময়ুম ব্রজবিধু সিংহগী লমদেং ময়াই লৈকাইদা লৈবা য়ূমদা পাঙথোকখিবা লমদেংগী অপূনবা মীফম অমদা লমদেংগী অপূনবা সংস্থানশিং, ১) লমদেং লাই খুরেম্বী সেবা কম্মিটি, ২) লমদেং মখা লৈকাই ৱিমেন্স দিভলপমেন্ট এসোসিএসন, ৩) লমদেং শেমগৎ শাগৎপা নুপী লূপ, লমদেং ময়াই লৈকাই, ৪) পাইওনিয়র ক্লব লমদেং মখা লৈকাই, ৫) দি লমদেং ময়াই লৈকাই য়ুঠ এসোসিএসন, ৬) ভিলেজ রিকন্সট্রক্সন ওর্গনাইজেসন লমদেং অৱাং লৈকাই অমদি লমদেং অৱাং লৈকাইগী ইমা-ইবেলশিং পূন্না কুপ্না খন্নরবা মতুংদা সংস্থান পূম্নমকশিং অসিনা লৈখিদ্রবা ব্রজবিধু সিংহগী লোয়নবী **ৱাংখৈময়ুম ওংবী সুমতি দেবী** বু লাক্কদৌরিবা কেন্দ্রগী মীখল অসিদা কেন্দিদেট ওইনা পুথোকপা, অমত্তা ওইবগী ৱাশক অমগা লোয়ননা শুকশোয় শোয়দনা মায় পাক্লবা অকনবা ফিরেপ লৌমীন্নদুনা অপূনবা ৱাশক শকমিন্নখি।

HL-P/9946/18, 19, 20

ꯁ꯭ꯔꯤ ꯁ꯭ꯔꯤ / শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নম :



পুবর্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বাইগী ইরক্তা তিনবীরম্বী **কোংব্রাইলাৎপম সুপ্রীয়া শর্ম্মা**-না মহাক্কী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ, মরুপ-মপাং অমদি অহল-লমন খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ১৭/০৬/২০২১ ইং, ইঙাগী ৭নি পানবা শগোলশেল নুমীৎতা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শ্রীকৃষ্ণ ভক্তশ্রী শুক্কাদেবাশ্রী চৈতন্য দাসি হায়বা নাম ফংজদুনা ঈশ্বরগী খূয়াখাদা চঙজখ্রে।

লাক্লিবা তাং ২০/০৬/২০২১ ইং, ইঙাগী ১০নি পানবা নোংমাইজিং নুমীৎতা অষ্ঠি সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ২৭/০৬/২০২১ ইং, ইঙাগী ১৮ নি পানবা নোংমাইজিং নুমীৎতা শ্রাদ্ধ দিন থোক্লে। নুমীৎ অসিদা লৈখিদ্রবীগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা হৈ-লৈ খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তণগা লোয়ননা শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী চরন্দা কচ্চগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব, অহল-লমন অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা হরিনাম শ্রবন তৌবীরনবা পাউচেগী থোঙদা নিমন্ত্রণ কচ্চরি। পাউচেগী থোঙদা নিমন্ত্রন কচ্চবগী অপরাধ খিবিক ঙাকপীগনি।

অয়ূক পুং ০৮.০০ : ভেক কৎপা
অয়ূক পুং ০৯.০০ : সঙ্কীর্ত্তণ হৌবা
অয়ূক পুং ১১.০০ : থৌরম লোইবা

বিনিতগণ ঃ-
কোংব্রাইলাৎপম শম্মান্দা শর্ম্মা (মপা)
কোংব্রাইলাৎপম ওংবী রেখা দেবী (মমা)

উরিপোক হাওবম দেৱান লৈকাই (ময়াই লৈকাই)।

HL-P/9950/20,21 # ৯৭৭৪৫৮১০৩৮, ৮৮৩৭৩২৬৮৭২, ৮৪১৫০৩৮৪০১

ꯈꯥꯎꯖꯔꯤ / খঙহঞ্জবা

ঐখোয়গী হৌজিক-হৌজিক Education Minister ওইরিবা Shri Sorokhaibam Rajen Singh গা মখা তানা পূন্না Development তৌমিন্নখিনি।

খঙহঞ্জরিবশিং :-
Lamdeng Awang Leikai Meira Paibee Secretary : **Rezia**
V.R.O. Club Games and Sports Secretary : **Thounaojam Naoba Singh**
BJP Ex-councillor : **Thounaojam Surjit Singh**
BJP Active Member : **Khaidem Thouranishabi Devi**
**Thounaojam Ekendra Singh**
HL-P/9951/20

## কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 59,50,000+9,798 | 57,00,000+14,347 | 1,17,000+648 |
| Karnataka | 28,00,000+5,783 | 26,30,000+15,290 | 33,602+168 |
| Kerala | 27,90,000+11,361 | 26,70,000+12,147 | 11,833+90 |
| Tamil Nadu | 24,10,000+8,633 | 22,90,000+19,860 | 30,835+287 |
| Andhra Pradesh | 18,40,000+6,341 | 17,60,000+8,486 | 12,224+57 |
| Uttar Pradesh | 17,00,000+149 | 16,80,000+774 | 22,081+51 |
| West Bengal | 14,80,000+2,788 | 14,40,000+2,112 | 17,240+58 |
| Delhi | 14,30,000+165 | 14,00,000+260 | 24,900+14 |
| Chhattisgarh | 9,90,000+509 | 9,66,000+1,122 | 13,368+7 |
| Rajasthan | 9,51,000+150 | 9,38,000+620 | 8,884+9 |
| Odisha | 8,70,000+3,806 | 8,30,000+6,252 | 3,508+37 |
| Gujarat | 8,22,000+262 | 8,05,000+776 | 10,023+5 |
| Madhya Pradesh | 7,89,000+110 | 7,78,000+339 | 8,707+28 |
| Haryana | 7,67,000+209 | 7,55,000+460 | 9,183+36 |
| Bihar | 7,19,000+347 | 7,06,000+594 | 9,536+9 |
| Telangana | 6,11,000+1,417 | 5,88,000+1,897 | 3,546+12 |
| Punjab | 5,91,000+612 | 5,67,000+1,229 | 15,771+33 |
| Assam | 4,77,000+3,706 | 4,36,000+4,835 | 4,138+33 |
| Jharkhand | 3,44,000+141 | 3,37,000+274 | 5,097+2 |
| Uttarakhand | 3,38,000+222 | 3,28,000+456 | 7,017+6 |
| Jammu and Kashmir | 3,11,000+671 | 2,96,000+1,171 | 4,234+8 |
| Himachal Pradesh | 2,00,000+344 | 1,93,000+576 | 3,429+5 |
| Goa | 1,64,000+315 | 1,57,000+534 | 2,975+6 |
| Puducherry | 1,14,000+353 | 1,08,000+557 | 1,714+4 |
| Manipur | 62,946+603 | 52,667+447 | 1,033+12 |
| Tripura | 61,782+443 | 56,425+596 | 642+5 |
| Chandigarh | 61,358+48 | 60,123+47 | 804+2 |
| Meghalaya | 44,382+650 | 38,792+431 | 771+9 |
| Arunachal Pradesh | 32,692+209 | 29,934+322 | 159+1 |
| Nagaland | 24,097+56 | 21,571+364 | 467+1 |
| Ladakh | 19,730+26 | 19,097+75 | 200 |
| Sikkim | 19,058+162 | 15,868+166 | 290+3 |
| Mizoram | 16,750+313 | 12,858+228 | 76+1 |
| Lakshadweep | 9,392+15 | 9,000+67 | 45 |
| Andaman and Nicobar Islands | 7,363+28 | 7,128+24 | 127 |